ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা সুরেশ ৱাংজমদা ইমর্জিং প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা পীখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী চাওবা লূপ ওইরিবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফএফ)না কুমজা ২০২০-২১গী সিজনগী ওইনা নুপাগী ফুটবোলদা ইমর্জিং প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা অদু মণিপুর মচা ৱাংজম সুরেশতা পীখ্রে। অদুগা মেন্স ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা অদুনা সন্দেশ জিনগানদা পীখ্রে।

মশাগী চহী ২০ শুবদা ঙাইরিবা সুরেশ ৱাংজম দিফেন্সিভ মিদ ফিল্ডর অমা ওইনা হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী নেসনল ফুটবোল টিমদা শরুক য়ারিবনি। মহাক্কী করিয়র অদু এ আই এফ এফ এলিট একাদেমিদগী হৌরকখি। কুমজা ২০১৭তা ইন্দিয়ানা যূম্নু ওইরগা পাঙথোকখিবা ফিফা য়ু-১৭ ৱর্ল্ড কপ অদুদা শরুক য়াদুনা করিয়রগী ইন্টরনেসনল মেটচ শরুক য়াখি। লোয়ননা সিনিয়র টিমগী ওইনা চহী অসিগী মার্চ ২৫দা ফিফা ২০২০ ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফায়িং রাউন্দদা ওমানগা শান্নখিবা অদুনা অহানবা ওইখি।

এ আই এফ এফনা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অদুবু আই লীগতা ইন্দিয়ন এরোজ হায়না মিংথোনবা দিভলপমেন্টেল টিমদসু মহাক চহী ২ শান্নখি। মদুগী মতুং বেঙ্গলুরু এফ সীগী বি টিমদা শান্নখি। অদুবু অথুবা মতমদা বেঙ্গলুরু এফ সীদা শরুকয়াদুনা শান্নবা ঙমখি। হৌজিক-হৌজিকমহাক হায়রিবা ক্লব অসিমক্তদা শান্নরি।

সুরেশনা ফোঙদোরকপদা, ইমর্জিং ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংলকপদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। এৱার্দ অসিনা মশানা মশাবু থাজহনবগী চাং অদু হেনগৎহন্দুনা তুংদা অহেনবা মায় পাকপা ঙম্নবগী থৌনা অদু পীরক্লে হায়না থমখি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা ফোঙদোকখিবদা, এৱার্দশিং অসি ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ক্লব অমসুং আই লীগকী ক্লবকী কোচশিংনা পীরকপা ভোটকী মতুংইন্না পীবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, ইন্দিয়াগী মরুওইবা দিফেন্দর অমসু ওইরিবা সন্দেশ জিনগানবু মেন্স ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংলকপদা নুংঙাইবা ফাওই হায়খি। মহাক্না মহাক্কী ওজাশিং, কোচশিং অমদি মহাকপু নুংশিবীবা মীয়াম্না লেপ্তুনা শৌগৎপীবগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াবদি, সন্দেশ জিনগান কুমজা ২০১৪দা এ আই এফ এফনা পীবা ইমর্জিং প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনাসু ফংখ্রবনি। মহাক্না সিনিয়র নেসনল টিমদা শরুক য়াখিবা অদু কুমজা ২০১৫দা অহানবা ওইখি। সন্দেশনা ইন্দিয়াগী টিম অসিগী কেপ্টেন ওইদুনা ইন্টরনেসনল ফ্রেন্দলি মেটচ ৫ শান্নবা ঙমখি। মহাক কুমজা ২০২০দা ইন্দিয়া লৈঙাক্না পীবা শান্নবগী মমিং লৈরবা মনা অর্জুনা এৱার্দসু ফংখ্রবনি।

সন্দেশ জিনগান ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল ক্লবশিংদা শান্নদুনা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় অমনি। মহাক কেরলা ব্লাষ্টর্সতা কুমজা ২০১৪দগীনা ২০২০ ফাওবা শান্নখি। অদুগা হৌজিক্না এ টি কে মোহন বগানদা শান্নরি।

অম্ফানা সুরেশ ৱাংজমবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী মায়কৈদগী মণিপুর মচা সুরেশ ৱাংজমনা ২০২০-২১গী সিজনগী ইমর্জিং প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংলকপদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী সুরেশ ৱাংজমনা মখা তাবা ফুটবোল করিয়রদা অহেনবা মিংচৎ কয়া পুরকপা ওইরসনু হায়নসু থল্লক্লি।

সনসম শান্তিকুমার খল্লকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক্স এসোসিএসনগী মায়কৈদগী এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্টকী থৌ পুরিবা অমদি জিম্নাষ্টিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা ডা. সনসম শান্তিকুমারবু ইরাই নুমীৎতগী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী দেলিগেট ওইনা খল্লকপদা হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়াইফ থৌনী পীখ্রে।

ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক্স এসোসিএসননা মখা তানা লৈহাউ অসিদগী হৌখিবা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা জুদো অমসুং ৱেথলিফটিংদা রিপ্রজেন্ট তৌরিবা লিকমাবম শুশিলা অমসুং সাইখোম মিরাবাই চনু লোয়ননা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন এম সী মেরি কোম, নুপাগী হোক্কী শান্নরোয় শংলাকপম নিলাকান্ত শর্ম্মা অমসুং নুপীগী হোক্কীদা পুখ্রম্বম সুশিলাবু ওলিম্পিক্সতা মকোক ওইরক্নবা য়াইফ থৌনী পীরক্লি।

এম ও এনা মণিপুরগী শান্নরোয় ৫গীদমক য়াইফ থৌনী পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস):

টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০দা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী কন্টিঞ্জেন্টতা য়াওরিবা লমদম অসিগী শান্নরোয় মঙাগীদমক তাইবং শেন্বীবা মপূদা য়াইফ থৌজাল নীবগী থৌরম অমা ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ওফিসকী লাইশঙদা হে-লৈ, ধুপ থাওমৈ কৎতুনা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসননা শিল্লগা শান্নরোয়শিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংসু শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা হেরোক এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ ডা. থোকচোম রাধেশ্যামসু শরুক য়াখি।

এম ও এগী মায়কৈদগী ইরমদম অসিগী শান্নরোয় মঙাবু পূক্নিং থৌগৎপা ৱাফম কয়া থল্লদুনা প্রসিদেন্ট রাধেশ্যামনা হায়, শান্নরোয়শিং অসিগী হৈ-শিংবা অমদি মিংচৎ অদুনা অনৌবা শান্নরোয় কয়াদা শান্ননিংবগী ঈথিল অমা শুংশোয় শোয়দনা পীরগনি।

মহাক্না মখা তারদুনা লমদম অসিগী যূমথোঙ খূদিংমক্না শান্নরোয় ৫গীদমক মৈরা কৎতুনা য়াইফ থৌজালনীজরি। মখোয়দা লৈরিবা টেলেন্ট ময়াম অদু মপূং ফানা উখোক্তুনা ইমা লৈবাক্কীদমক মিংচৎ উরোং খিনবা ঙম্বা ওইহনবীসনু হায়দুনা ঐখোয় খূদিংমক্না তাইবং শেন্বীবা মপূদা থৌনীজরি। নখোয়গী মেদল ফংলকপগী মিংচৎ অদুনা লমদম অসিগী মীপূম খূদিংমক হরাউ মীনোক তমগদৌরিবনি, লমদম অসিবু মালেমদা শক তাক্কদৌরিবনি। নখোয় মঙানা হৌরক্লিবা শান্নরোয় কয়াগী লমজিং মৈরা ওইগদৌরিবনি, নখোয়গীদমক মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মায়কৈদগী লমদম অসিগী মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা তাইবং শেন্বীবা মপূদা য়াইফ থৌজাল নীজরি হায়খি।

শান্নরোয় মঙা অদুদি বোক্সিংদা এম সী মেরি কোম, নুপাগী হোক্কীদা শংলাকপম নিলাকান্তা শর্ম্মা, নুপীগী হোক্কীদা পুখ্রম্বম সুশিলা চনু, ৱেথলিফটিংদা সাইখোম মিরাবাই চনু লোয়ননা জুদোদা লিকমাবম শুশিলানা টোকিও ওলিম্পিক য়াওগদৌরিবনি।

চেছ ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী প্রগনন্ধ, পি হরিকৃষ্ণ অমসুং ভিদিট গুজরাথি মরিশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

সোচি, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

রসিয়াগী সিটি সোচিদা পাঙথোক্লিবা ফিদে চেছ ৱর্ল্ড কপকী নুপাগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর অহুম রামেশ বাবু প্রগনন্ধ, পেন্টালা হরিকৃষ্ণ অমসুং ভিদিট সন্তোশ গুজরাথি ৪শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

শগোলশেন নুমীৎতা মখা তানা চথুগদৌরিবা চেছ ৱর্ল্ড কপ অসিগী মরিশুবা রাউন্দ অদুদা চেন্নাইদা বেজ তৌবা প্রগনন্ধনা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা ৱর্ল্ড কপ শরুক য়ারক্তুনা ৱর্ল্ডগী ১৬শুবা থাক্তা লৈরিবা ফ্রান্সকী গ্রান্দমাষ্টর মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেবকা লম্বা তৌনগদৌরি। মশাগী চহী ১৫দা ঙাইরিবা প্রগনন্ধনা ৩শুবা রাউন্দদা পোলেন্দগী ভেটরান মাইকেল কার্লসনকোবু টাই ব্রেকতা মায়থীবা পীবা ঙমখি। মায় পাকপা অদুনা চেছকী ক্রিটিক কয়ানা মীৎয়েং চঙবা হৌরকখি।

অমরোমদা, মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেবসু মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর দেভিদ পরাবিয়নগা অকনবা লম্বা তৌদুনা টাই ব্রেকতা মায় পাক্লকপনি। প্রগনন্ধ অমসুং লাগ্রেবকী ঈ এল ও রেটিং য়েংনরুবদা য়াম্না খেন্নে। লাগ্রেবকী ২৭৬০নি, অদুগা প্রগনন্ধগীনা ২৬০৮নি। টুর্নামেন্ট অসিদা মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়া মায়থীবা নংখ্রবনি। প্রগনন্ধসু মায় পাকপা য়াবগী তাঙ্গা লৈরি।

ৱর্ল্ড নম্বর টু শান্নরোয় য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর ফাবিয়ানো করোনা মায়থীহৌরবনি। নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিশ গিরিসু লৈহৌরে। লোয়ননা অজরবৈজানগী গ্রান্দমাষ্টর সাক্রিয়ার মামেয়ারোবসু মখোয়দগী থাক হন্থবা শান্নরোয়শিংনা মায়থীবা পীরম্বনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় পেন্টালা হরিকৃষ্ণনা মরিশুবা রাউন্দদা ইরানগী অমিন টাবাটাবেগা লম্বা তৌনগনি। মেটচ অদু মহাক্না থোইগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈরি। অমরোমদা, ঈ এল ও রেটিং ২৭২৬ লৈরিবা ইন্দিয়াগী ভিদিট গুজরাথিনা অহুমশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় বি অধিবনগা অকনবা লম্বাদা টাই ব্রেকতা থোইদুনা মরিশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী ঈ এল ও রেটিং ২৭০৯দা লৈরিবা জেফ্রি জিওনগা লম্বা তৌগদৌরিবনি। হায়রিবা রাউন্দ অদু লেং মান্নবা শান্নরোয় অনীগী লম্বা ওইগদৌরি হায়না চেছ মশান্নগী ক্রিটিক কয়ানা ফোঙদোরক্লি।

ওলিম্পিক গেমস মনুংদা কোভিদ-১৯গী রিস্ক অদুম্মক লৈগনি : ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন

টোকিও, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী দিরেক্টর জেনরেল ওইরিবা টেড্রোস অধানোম গেব্রিএসসনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মীফম অমদা ফোঙদোক্লদুনা গেমস মনুংদা কোভিদ-১৯গী রিস্ক অসি অদুম্মক থেংনগদৌরবনি হায়খি।

ঙসি ফাওবদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকা মরী লৈনবা কোভিদ-১৯ কেস মশীং জুলাই থাগী ওইনা ৭৯ য়ৌখি। মসিগী মরক্তা অতোপ্পা লৈবাক্কী এথলিটশিং টোকিও য়ৌরক্ত্রিবৈদা কোভিদ পোজিটিভ ওইদুনা লাকপা ঙমদবা কয়া অমা য়াওরি। মরুওইরিবদি কোভিদ পোজিটিভ ওইবশিং অসি করম্না মায়োক্লগদগে হায়বসিনি। পোজিটিভ ওইবা মশীং হন্থরকপা অদু নত্তে। জপানদা য়ৌরকখ্রবা অতোপ্পা লৈবাক্কী শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং পোজিটিভ ওইবা কয়া থেংনখ্রে।

ওলিম্পিক গেমস অসিগী ওর্গনাইজিং কম্মিটি অমদি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরগী মনুং চন্না পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগা নক্লরুবশিং আইসোলেসন অমদি মোনিটরিং তৌরবা মতুং মখা তানা ট্রেনিং অমসুং শেম শাবগী থবক য়াওবা য়াগনি হায়রি।

টোকিও বেদা লৈবা এথলেটিক্স ভিলেজদা য়ামদ্রবদা মীওই ১১,০০০ রোম লৈরিবনি। মখোয়গী মরক্তা মখা তানা পোজিটিভ ওইরক্লোই হায়বগী ৱাফম লৈতে হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী দিরেক্টর অদুনা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা, জপানগী হেল্থ এক্সপর্টশিংনা ফোঙদোকখিবদা, ওলিম্পিক গেমস অসিনা 'সুপর-স্প্রেদর' ওইহল্লবনি। তোঙান-তোঙানবা মীওই লিশিং কয়া হান্ননা লোকল ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লাউথোক্লিবা মফমশিং অদুদা লাক্তুনা শান্নবা য়াওগদৌরিবনি।

টেড্রোসনা মখা তাখিবদা, কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি চাংয়েং অমনি। মসিদা মালেম অসি মায়পাকপা ঙমদ্রিবনি। ভেক্সিন কাপথোকপনা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাংনি হায়খি।

দি দি স্পোর্টসনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস লাইভ কভরেজ পীগদৌরি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

ইরাই নুমীৎতগী টোকিওদা হৌগদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসি ইন্দিয়াগী টেলিভিজন চেন্নেল দুরদর্শন স্পোর্টসনা লাইভ কভরেজ পীগদৌরি হায়না ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

দি দি স্পোর্টস খক্তা নৎতনা অতোপ্পা দুরদর্শনগী চেন্নেলশিংদসু লাইভ কভরেজ অসি পীগনি। লোয়ননা ওল ইন্দিয়া রেদিওনসু মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী কুম্মৈ অসি লাইভ কভরেজ পীগদৌরি। প্রসার ভারতিনা স্পোন্সর তৌদুনা নুমীৎ খূদিংগী দি দি স্পোর্টসনা অয়ুক পুং ৫দগীনা নুমিদাং পুং ৭ ফাওবা তোঙান-তোঙানবা ওলিম্পিককী ইভেন্টশিং অদু লাইভ কভরেজ পীগদৌরিবনি।

মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা, লাইভ কভরেজ পীবা খক্তা নৎতনা 'চিয়র ফোর ইন্দিয়া' কেম্প্যেনগী মনুং চন্না তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টসকী মমিং লৈরবা সেলেব্রিটিশিংগা পুং ৪গী ওইবা দিস্কসন প্রোগ্রাম অমসু মীয়ামদা মীৎয়েং তাহনগনি হায়রি।

হায়রিবা অখন্নবা প্রোগ্রাম অসি দি দি স্পোর্টসতা জুলাই ২২ অমসুং ২৩গী অয়ুক পুং ১১দগীনা নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১ ফাওবা উৎকনি হায়রি। লোয়ননা নুমীৎ নীনিগী ওইবা অখন্নবা শো অসি নুমিদাংগী পুং ৭তগীনা ৯ ফাওবা অমুক হন্না থাগনি।

মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী পীরকপা প্রোগ্রাম সেদ্যুল্ডগী মতুংইন্না ওল ইন্দিয়া রেদিও কেপিটেল ষ্টেসনশিং, এফ এম রেনৱো নেটৱর্ক, দি আর এম (দিজিটেল রেদিও ওফ এ আই আর) অমসুং অতোপ্পা ওল ইন্দিয়া রোদিও ষ্টেসনশিংনা জুলাই ২২দা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী কর্টেন রেজর প্রোগ্রাম অমা ব্রোদকাষ্ট তৌগদৌরি। হায়রিবা প্রোগ্রাম অসি য়ু ট্যুব চেন্নেল, দি টি ঐচ অমসুং ন্যুজ ওন এ আই আর মোবাইল এপ্তসু শন্দোক্কনি হায়রি। ওল ইন্দিয়া রেদিও ষ্টেসনশিংনা জুলাই ২৩দগী নোংমগী ওইবা গেমস অদুগী হাইলাইট অদুসু ব্রোদকাষ্ট তৌগদৌরি।

রেষ্টলর অমন গুলিয়া অমসুং সাগর জগলান ইন্দিয়াগী অনৌবা ৱর্ল্ড কেদেট চেম্পিয়ন ওইরে

বুদাপেষ্ট, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড কেদেট রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অমন গুলিয়া অমসুং সাগর জগলান মখোয়-মখোয়গী ৱেথ কেটেগোরিদা ফাইনেল মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী অনৌবা কেদেট চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা কেজি ৪৮গী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী অমন গুলিয়ানা য়ু এস এগী জোসেফ লিলেদালবু পোইন্ট ৫-২দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। অমরোমদা, সাগর জগলাননা কিলোগ্রাম ৮০গী কেটগোরিদা অতোপ্পা য়ু এস এগী রেষ্টলর জেমস মোল্লর রাওলিবু পোইন্ট ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংখি।

অমন গুলিয়ানা সেমীফাইনেলদা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমদুনা জিওর্জিয়াগী রেষ্টলর রিজো মার্সাগিসভিলিবু পোইন্ট ১০-০দা মায়থীবা পীরমখি। অমননা ক্বার্টর ফাইনেলদনা অর্মেনিয়াগী রেষ্টলর সর্গিশ বেগোয়ানবু ৪-১দা থোইরমখি। কেজি ৮০গী কেটেগোরিদা চেম্পিয়ন ওইরবা ইন্দিয়াগী সাগর জগলাননা সেমীফাইনেলদা জিওজিয়াগী রেষ্টলর টোর্নিকে সামখারাজেবু মায়থীবা পীরমখি। অদুগা ক্বার্টর ফাইনেলদনা মহাক্না অজরবৈজানগী রেষ্টলর শট্টর খান অলাভর্দিলিবু পোইন্ট ১২-৪দা থোইরমখি। কেজি ১১০গী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী সাহিল রেপিচেজদা হঙ্গেরিগী রেষ্টলর মিলান জেলেনবু মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক ক্বালিফাই ওইবদগী মহাক্না কজাখষ্টানগী রেষ্টলর অলি খান কুসাইনোবপু ৬-০দা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। কেজি ৬০গী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী জস্করন সিংহ ফাইনেলদা উজবেকিষ্টানগী রেষ্টলর কদামোবকী মখূৎতা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংখি। কেজি ৭১দা ইন্দিয়াগী জয়দিপ ব্রোঞ্জ ফংখি। অদুগা কেজি ৫১দা চিরাগসু ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

ইন্দিয়ন ইন টোকিও ওলিম্পিক্স ২০২০গী মতাংদা নেসনল ৱেভিনার শিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস):

ইন্দিয়ন ইন টোকিও ওলিম্পিক্স ২০২০গী মতাংদা ৱেভিনার অমা ঙসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রি পি আই বি ইম্ফাল, রিজনেল আউটরিচ ব্যুরো (আর ও বি) ইম্ফাল অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাঞ্চিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন এন্দ স্পোর্টস সাইন্স, দিপার্টমেন্ট ওফ যোগা এন্দ নেসনল সর্ভিস স্কিম (এন এস এস) সেলনা পূন্না শিনমিন্নখ্রে।

ৱেভিনার অদুদা আর ও বি ইম্ফালগী হেদ ওফিসকী ডা. এ ইবোমচা শর্ম্মনা মোদরেটর ওইখি। রিসোর্চ পর্সন অমা ওইনা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী ইম্ফালদা লৈবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী দিন (একাদেমিক্স) প্রো. রামামুর্থি সুব্রমনিয়মনা ফোঙদোকখিবদা, শান্ন-খোৎনবদা মীথোই-মীহেনবা পুরক্নবা স্পোর্টস সাইন্সনা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। ইচম চম্বা মীওই অমা স্পোর্টস সাইন্সকী মতেংগা লোয়ননা অফবা শান্নরোয় অমা ওইরকপা ঙমগনি। লোয়ননা অথোইবা শান্নরোয় অমনা স্পোর্টস সাইন্সকী মতেংগা লোয়ননা মালেমগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমগনি হায়খি।

ৱেভিনার অদু টোকিও ওলিম্পিক্সতা শরুক য়ারিবশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা অমদি মখোয়দা মখোয়গী অঙম্বা থাক্তা পর্ফোম তৌননবা লৈবাক অসিবু মিংচৎ পুরক্নবা পাউজেল পীনবগীদমক পাঙথোকপনি হায়খি। মহাক্না মণিপুরগী স্পোর্টস কলচর অসিবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়ননা স্পোর্টিং টেলেন্টশিং য়োকখৎপা অমদি লোং টর্ম এথলেটিক্স দিভলপমেন্ট অমদা পুশিনবা মথৌ তাই হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি টেলেন্টশিং অসি য়োকখৎনবা অমসুং ষ্টেট অসিগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী ওইবা স্পোর্টস পর্ফোর্মেন্স হেনগৎহন্ননবা সাইন্টিফিক এপ্রোচ পুরক্নবা পান্দমদা লিংখৎখিবনি।

আর ও বি অমসুং পি আই বিগী এদিসনেল দি জি (রিজনেল) বি নরায়ানানা হায়খিবদা, টোকিও ওলিম্পিক্সতা দিসিপ্লিন ১৮গী অপূনবা ইভেন্ট ৬৯দা লম্বা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী পুৱারীদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা কন্টিঞ্জেন্ট ওইরি। লোয়ননা অৱাং-নোংপোক ষ্টেট ৮দগী শান্নরোয় ৮না শরুক য়ারি। ইন্দিয়াগী স্পোর্টসকী পাৱর হাউস ওইরিবা মণিপুরনা শান্নরোয় ৫গী মনুংদা বোক্সর এম সী মেরি কোমনা টিমগী ফ্লেগ বিয়াররসু ওইগদৌরি। মিজোরামগী লালরেমসিয়ামি, সিক্কিমদগী তরুনদিপ রাই অমসুং অসামদগী বোক্সর লোভলিনা বোর্গোহেন য়াওরি হায়না ফোঙদোকখি।

এম য়ুগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন এন্দ স্পোর্টস সাইন্সকী ফেকল্টি দিপার্টমেন্ট ওফ যোগাগী ঐচ ও দি অমসুং এন এস এস সেলগী কো-ওর্দিনেটর ডা. এম নোদিয়াচান্দনা হায়খিবদা, হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিং গ্রুমিং তৌননবা টেলেন্ট থিদোকপা, সাইন্টিফিক এপ্রোচ চথুবা, হৈথোই-শীংথোইরবা শান্নরোয়শিংবু নীংথিনা মশক খঙবীবা য়াম্না মথৌ তাই হায়খি।

ওলিম্পিক গেমস য়াওগদৌরিবা মণিপুরগী শান্নরোয় মঙাগীদমক মায়কৈ কয়াদগী পূক্নিং থৌগৎলক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস):

ইরাই নুমীৎতগী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩২রক শুবা ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী টিম মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী শান্নরোয় মঙাগীদমক মায়কৈ কয়াদগী পূক্নিং থৌগৎলক্লি।

ওল ক্লব ওর্গনাইজেসন, এসোসিএসন অমসুং মৈরা পায়বী লূপ (অকোম লূপ)কী মায়কৈদগী মালেমগী লৈবাক ২০০ হেনবদগী চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা শান্নবগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ ওইরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা চহী ১ য়েথোরক্লবনি। মসিদা অথোই-অহেন তান্নরকপা মতমদা কংলৈমপারি-মমোম মঙানা মকোক তারক্তুনা কংলৈপাক্কী মিংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়না মপূগী খূয়াদা থৌনীজরি অমদি মীয়াম্নসু মখোয় ৫গী পূক্নিং থৌগৎপীনবা হায়রক্লি।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী লংথবাল কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মেম্বর ওইরিবা করাম শ্যামনসু মণিপুরগী শান্নরোয় মঙানা মায় পাকপা ওইরসনু লোয়ননা শরুকয়ারিবা পুম্নমক্কীদমক্তা য়াইফ থৌনীরক্লি।

সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)নসু ৩২শুবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারিবা লমদম অসিগী য়েলহৌমী শান্নরোয় মঙাবু মায় পাকপা ওইদুনা লমদম অসিগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্নবা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মখোয়না তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা মতিং থোক্না থৌনা ফূদোক্তুনা অমদি মায় পাকপা ওইদুনা পীক্লবা ইরমদম কংলৈপাক মণিপুরদা নৎতনা ইন্দিয়াগী মিংচৎ উরোং পুরকপা ঙম্নবগীদমক সিকোনা শেন্বীবা মপূগী মফমদা থৌনীজরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী মায়কৈদগীসু লিকমাবম শুশিলা (জুদোগী কিলোগ্রাম ৪৮), সাইখোম মিরাবাই চনু (ৱেথলিফটিংগী কেজি ৫১), এম সী মেরি কোম (বোক্সিংগী কেজি ৫১), পুখ্রম্বম সুশিলা (নুপীগী হোক্কী) অমসুং শংলাকপম নিলাকান্ত (নুপাগী হোক্কী)না ৩২শুবা টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসিদা মখোয়-মখোয়গী দিসিপ্লিনশিং অদুদা মকোক থোংদুনা মালেমদা মিংচৎ উরোং খিনবা ওইরসনু হায়না পূক্নিং থৌগৎলক্লি।

ফেদরেসন ওফ হাওমীগী মায়কৈদগীসু মণিপুরগী শান্নরোয় ৫না টোকিওদা ওলিম্পিক্স শরুক য়ারকপদা ইরমদম কংলৈপাক অসি চহী লিশিং কয়া পারি-পুরি অথৌবশিংনা লৈঙাক্তুনা নীংতম্না পাল্লম্বা ইরমদমনি হায়বদু ময়েক শেংনা শান্নরোয়শিং অদুগী থৌনা লিংজেলনা মালেমদা মশক তাকপা ওইরসনু হায়খি। কংলৈমীয়াম্না মখোয় ৫না মায় পাক্না হল্লকপা অদু খৌরাংনা ঙাইরি হায়না পূক্নিং থৌগৎখি।

কংলৈ ইমা লূপ (কে আই এল)গী মায়কৈদগীসু লমদম অসিদগী হৌখিবা শান্নরোয় ৫না ইন্দিয়াগী কন্টিঞ্জেন্টতা শরুক য়াদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মায়োক্নবা লম্বাগা লেংঙানরকপা মতমদা মকোক ওইবা ওইরসনু হায়না তাইবং শেন্বা মপূ মহাক্কী মফমদা থৌনীখি।

ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী ফুটবোলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান য়ু এস এবু স্বিদেননা থোইখ্রে, সোফ্টবোলদা জপাননা ওষ্ট্রেলিয়া মায়থীবা পীখ্রে

টোকিও, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওপনিং সেরেমোনি ইরাই নুমীৎতা তৌগদৌরিবা অদুগী মাংওইননা ঙসিদগী সোফ্টবোল অমসুং নুপীগী ফুটবোল হৌখ্রে। মদুদা নুপীগী ফুটবোলগী গ্রুপ জিগী মেটচ অমদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা য়ু এস এবু স্বিদেননা মায়থীবা পীখ্রে। লোয়ননা সোফ্টবোলগী মেটচ অমদা যূম্নু জপাননা ওষ্ট্রেলিয়াবু থোইখ্রে।

গ্রুপ জিগী নুপীগী ফুটবোল মেটচ অমদা ঙসি টোকিও ষ্টেদিয়মদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান য়ু এস এ অমসুং স্বিদেন লম্বা তৌনখি। শান্নবগী অহানবা হাফতা স্বিদেনগী ব্লেক ষ্টেনিয়সনা মহাক্কী টিমমেট জেকোবসননা পীরকপা বোলদা অহানবা পাঞ্জল অদু ২৫শুবা মিনটতা চনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ৫৪শুবা মিনটতা ব্লেক ষ্টেনিয়সনা অমুক্কা হন্না টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। য়ু এস এ পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদে। ৭২শুবা মিনটতা স্বিদেনগী হার্টিগনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ৩-০দা থোইখি।

গ্রুপ ঈগী মেটচ অমদা যূম্নু জপান অমসুং কানাদা পাঞ্জল অমমম্ চন্নরগা দ্রো চৎখি। কানাদাগী মায়কৈদগী সিনক্লারনা হৌরকপদা পাঞ্জল ১ চনখি। জপানগী মায়কৈদগী পেনাল্টি অমা পাঞ্জল চলহৌদ্রবা মতুং ৮৪শুবা মিনটতা ইৱাবুচিনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা দ্রো চৎখি।

সোফ্টবোলগী নুপাগী মেটচ অমদা যূম্নু জপাননা ওষ্ট্রেলিয়াবু ঙসি পাঞ্জল ৮-১দা মায়থীবা পীখি। সোফ্টবোল অসি কুমজা ২০১২ অমসুং ২০১৬ ওলিম্পিক গেমসতা লৌথোক্লুরগা হন্দক অমুক য়াওরকপনি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 177

Horstmann, Astrid (1078) - Reiss, Rebekka (1182)
GER ch g14 Oberhof (8), 1999.05.28

1.Nf3 g6	2.d4 Nf6	3.e3 Bg7	4.c4 d6
5.Be2 O-O	6.O-O c5	7.b3 b6	8.Bb2 Bb7
9.Qc2 Qc7	10.Nbd2 Nbd7	11.d5 Ng4	12.Bxg7 Kxg7
13.h3 Nge5	14.e4 Rab8	15.Qc3 Kg8	16.Nxe5 Nxe5
17.f4 Nd7	18.f5 Ne5	19.Qg3 Rbe8	20.Nf3 Nxf3+
21.Bxf3 Bc8	22.Bh5 Kg7	23.Qg5 Qd8	24.Rf3 Rg8
25.fxg6 fxg6	26.Bxg6 hxg6	27. ...	

QUESTION :

White to win

Puzzle 176 Ans. :

25. ...Bc8 26. Bg6+The white bishop deflects Black's king away from protecting the square e7.Kxg6 27. Nd7+With a discovered check by the white rook.Kh7 28.Re7+Intermediate check Kg8 29. Nxb8

26. Bg6+ Kxg6 27.Nd7+ Kf7 28.Re7+ Kg6 29.Nxb8 d3 30. Nc6 Rd6 31.Ne5+ Kf6 32.Nf7 Re6 33.R7xe6+ Bxe6 34. Nxh6c6 35.g3 Bd8 36.f3 Kg7 37.Ng4 Bxg4 38.fxg4 d2 39.Rd1 Bg5 40.h4 Be3+ 41. Kf1 Kg6 42.Ke2 Bh6 43.g5 Bg7 44.Rxd2 Bd4 45.g4 Be5 46.Ke3 Bd4+ 47.Rxd4 cxd4+ 48.Kxd4

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com